# ইমুং-মনুংগী ফীভম অমদি শেন্মীৎলোন ৱাৎপনা নীংথিনা ট্রেনিং তৌবা ঙমদে : দিনেশ নাওরেম

গ্যানন্দ নাওরেম





**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):** ইমুং-মনুংগী ফীভম অমদি শেন্মীৎলোন ৱাৎপনা মরম ওইরগা মপান্দা লৈদুনা মপূং ফানা ট্রেনিং তৌবা ঙমদবগী খূদোংচাদবশিং মায়োক্নরি হায়না মণিপুরগী প্রোফেসনেল মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) ফাইটর দিনেশ নাওরেমনা ফোঙদোরক্নি।

প্রোফেসনেল এম এম এ অনীরক, এমেচর এম এম এ চেম্পিয়নশিপ কয়াদা চেম্পিয়ন অমসুং মেদল কয়া লৌরকখ্রবা দিনেশ নাওরেম ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৪৪ রোম খা-নোংপোক্তা চৎলগা লৈবা ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ককচীং সুমাক লৈকাই, য়োৎশুংবা পরেং মখা লৌদগী নাওরেম ওংবী মোনবী অমসুং লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমা অনীগী মচানুপা অহল ওইনা কুমজা ১৯৯৮গী জুন ২১দা তাইবংদা খোঙদারকখি। মহাক্কী মখাদা মনাওনুপা অমগা মচন্নুপী অমগা লৈ।

দিনেশ নাওরেমগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনরুবদা দিনেশনা হায়, ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা মীগী চেক্কোন্দা চেক ফাওবা হাপ্তুনা শান্নবগী লম্দা থৱায় য়াওনা হোৎনরকখি। অহানবদা মহাক শান্নবগী লম্দা কুমজা ২০১২দগী ২০১৭ ফাওবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) খুমন লম্পাক্তা লৈদুনা হৈঙাংদা ওজা লুখোই অমসুং মালোমদগী মিস রমনিগী মখাদা রেষ্টলিং শান্নরকখি। সাইদা লৈরিঙৈ সব-জুনিয়রগী থাক্তা অহুম্লক অমসুং জুনিয়রগী থাক্তা অনীরক নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াখি। অদুবু মেদলদি লৌবা ঙমখিদে। ইন্টর সাই রেষ্টলিং কম্পিটিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল অমখক লৌখি। কুমজা ২০১৭তগী ২০১৮ ফাওবা অমুক দেল্লীগী গুরু প্রেমনাথ অখারাদা লৈদুনা রেষ্টলিং শান্নরমখি। মদুগী মতুং মণিপুরগী প্রো এম এম এ ফাইটর থৌবালদগী রোশন মাইনমগী মখাদা বেঙ্গলোরদা লৈবা কোই কোম্বেট একাদেমিদা এম এম এ শান্নবা হৌরকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা, কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ২৩ অমসুং ২৪দা পাঙথোকপা এ আই এম এ এফ ওপন এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা ফ্লাইৱেথতা গোল্ড মেদল, কুমজা ২০২১দা পাঙথোকপা নোর্থ ইষ্ট এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা বনটাম ৱেথকী ওইনা গোল্ড মেদল লৌখি। মদুগী তুংদা গ্লোবেল এসোসিএসন ওফ মিক্স মার্সিএল আর্টস (গামা)না শীনবা কিৰ্গিষ্টানদা কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা প্লাইৱেথতা গোল্ড মেদল অমা অমসুং সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখি। ৱারী লিনা-লিনা মমীৎতগী মপি তারদুনা দিনেশনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেদল ফংলকপগী নুংঙাইরবা মীৎকুপ্তু ঐগী বাবাদি উবা ফংখিদ্রে। ঐনা কিৰ্গিষ্টান চৎখ্রবা মতুং ওগষ্ট ২৩দা ঐগী বাবা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিরম্লে। ঐনা ফাইনেল শান্নবা লোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবগী নুংঙাইবা অদু তমগে হায়না ঐগী ইমাদা ফোন তৌরুবদা ইমানা কপ্লগা 'নঙগী নুংঙাইবা মীৎকুপ অদু নঙগী বাবাদি উবা ফংদনা চৎখ্রে, ইচাগী শান্নবদা কায়গনি হায়দুনা পাউ হায়খিদ্রবনি', মীৎকুপ্তু ঙসিসু নীংশিংলুরগা থম্মোয়দা চৈনা অদুম্মক ফাওরি।

বাবা লৈখিদবগী পাউ অদু তাবদা ঐগী মেদল ফংলকপগী নুংঙাইবা পূম্বা মাঙখি। বাবা লৈখিদ্রবা তুংদা ইমাগী হেক ঙমথংদা ঐনা লৈবনা তৌনিংবা, পাঙথোক্লিংবা থবক কয়াদা তপ্না-তপ্না খূদোংচাদবা কয়া থেংনবা হৌরকখি। য়ুম থাদোক্তুনা অতোপ্পা ষ্টেটতা লৈথোক্তুনা মতম কুইনা প্রেক্টিস তৌবদসু খূদোংচাদবশিং মায়োক্লখি। মদুগী তুংদা নেদরলেন্দসতা কুমজা ২০২২গী মার্চ ২৩দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকপা গামা ৱর্ল্ড এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা ফ্লাইৱেথতা ব্রোঞ্জ মেদল অমুক লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ৩০দগী ওক্টোবর ২ ফাওবা মেট্রিক্স ফাইট নাইট (এম এফ এন)গী কন্ট্রেক্ট খূৎয়েক তৌনবগীদমক পাঙথোকপা নেসনল চেম্পিয়নশিপতা ফ্লাইৱেথতা শান্নবদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি অমসুং কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনদুনা হরয়ানাগী গুরগাউনদা লৈবা ৱারিয়র্স কোভ এম এম এ একাদেমিদা লৈদুনা শান্নবা হৌরকখি। প্রো এম এম এ ফাইটর ওইনা কুমজা ২০২২গী নভেম্বর ১৭তা অহানবা ওইনা দুবাইগী পালাজো ভর্সাসিদা পাঙথোকপা মেট্রিক্স ফাইট নাইট ১০দা ফ্লাইৱেথতা চেম্পিয়ন অমসুং অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ২০২৩গী মার্চ ৩১দা টালকাটোরাগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা মেট্রিক্স ফাইট নাইট ১১দসু ফ্লাইৱেথতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীমচাশিং অসি এম এম এ হায়রিবা মশান্না অসিগা য়াম্না চুশিন্নে। মণিপুরীশিংগী খাঙবা কনবা, থৌনা, লিংজেল মালেমগী মীয়ামদগী করিসু তাদে। নুপা থোকপা, থৌনা উথোকপা য়াবা মশান্না অমনি। ঙসি-ঙসিমক মণিপুরগী লৈজরিবা এম এম এগী প্রো অমসুং এমেচরগী ফাইটরশিং অদুম্মক মেদল কয়া লৌদুনা মিংচৎ পুরকপা ঙম্লিবা অসিনি। অদুমওইনমক লমদম অসিদা প্রোফেসনেল এম এম এগী মতিক চাবা একাদেমিগুম্বা লৈতবা অসিনা করিগুম্বা কান্দা খূদোংচাদবশিং মায়োক্নদবদি নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।


মহাক্না মখা তানা এম এম এ শান্নবা হায়বা অসি প্রেক্টিস লেপ্পা য়াদদুনা একাদেমিদা লৈত্রবসু জিমদা চৎতুনা এক্সকর্সন তৌদবদি য়াদবনি। মরম অদুনা ককচীং পাজি লৈকাইদা লৈবা দি জে জিম হায়না খঙনবা মফম অসিদা চৎতুনা হোৎনরি। হৌজিক-হৌজিক অঙাং তরুকখকসু এম এম এ তাকপীয়ু হায়না হায়রকপদগী এক্সকর্সন তৌবা ওইনা এম এম এ তাকপীরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# আর্ম রেষ্টলিংগী মীফম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুরগী আর্ম রেষ্টলিং মশান্না অসিগী মায়ওন অমা লেপ্পবা আর্ম রেষ্টলর, এক্স আর্ম রেষ্টলর, গার্জিয়ানশিং, শান্নববু নুংশিবীবশিং, সিম্পেথাইজর অমসুং ওর্গনাইজরশিংগী অপূনবা মীফম অমা থা অসিগী ১২ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শীংজমৈ পার্কিংদা লৈবা শীংজমৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা পূম্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং পীবীদুনা অনৌবা মায়ওন অমদা চঙশিল্লক্লিবা আর্ম রেষ্টলিং মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা নুপা অমসুং নুপীগী ৱেথ কেটগোরি ৫/৫গী চেম্পিয়নশিপ অমা শিলোং ষ্টেট লাইব্রেরি কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। নুপাগী চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়নগী মনানা লুপা লিশিং ২৫নি অদুগা নুপীগীনা লুপা লিশিং ২০নি। মরম অদুনা য়াওনিংবা আর্ম রেষ্টলরশিংনা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইন রেজিষ্টর তৌরক্কদবনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 985**

Roman Dabek (2358) - Marcin Walach (2412)
POL-chT3 Slaskie Poland, 2008.02.19

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.g3 e5 | 2.Bg2 Nf6 | 3.d3 d5 | 4.Nf3 Nc6 |
| 5.O-O Bc5 | 6.Bg5 h6 | 7.Bxf6 Qxf6 | 8.Nc3 Be6 |
| 9.e4 d4 | 10.Ne2 g5 | 11.a3 a5 | 12.Nd2 O-O-O |
| 13.f3 h5 | 14.Rf2 Qh6 | 15.Kh1 g4 | 16.fxg4 hxg4 |
| 17.Nf1 Be7 | 18.Qe1 Bg5 | 19.b4 Be3 | 20.Rf5 f6 |
| 21.bxa5 Ne7 | 22.Qb4 Nxf5 | 23.exf5... | |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 984 Solution :**

**32. Qxg6+** The white queen attacks Black's king, which is defending the square h6 and Black's rook.
Your moves:32.f5
**Kh8 33.Nf7+** The white knight deflects Black's rook away from protecting the square h6. Opening the line from h6 to h8. **Rhxf7 34.Qh6+ Rh7 35.Qxf8#** Back-rank mate
**1-0**




HL-B/8419/3-31dec. 3-1feb





Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com